# চয়োলগী ৱাষি ফল

## (এপ্রিল তাং ৬ দগী এপ্রিল ১২ ফাওবা)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বজার, ইম্ফাল*

মেষঃ মীনা নুংশিবীবা, চানবীবা, মতেং পীবীবদি লৈরগনি। শেলদি লাকপগা চৎপনা হেল্লগনি। মীনা অমদি তিন্নবশিংনা কল্লকপা খরসু লৈখিগনি। চীন্দা অমা হায়বা, পূক্নিংদা অমা খনবা ওইরগনি। ইমুংদা কোক শাবা মতমনি। চয়েৎনবা, মেন তাদবা, ৱাখল শাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা তৌরগনি। পোৎ মচা-মচা লৈশিনবদি য়ারগনি। লমতু চৎপদি হৈ-শিংবা ফগনি। *মহৈরোয়শিংগী* চয়েৎনবা মতমনি। *পাখং-লৈশাবীগী* মুক্নবা ওইরি।

*নক্ষত্রঃ ১,২,৩ – অফবা ফত্তবা য়ান্নরগনি।*

বৃষঃ থবক থৌরম, হিরম খূদিংমক্তা হেন্না চেকশিনবা ফগনি। ঙাং-নিংবা অয়াম্বা খম্বরগা ৱা ঙাংথোকপা ফগনি নৎত্রবদি অশোয়বা কয়া থেংনগনবা মতমনি। শেল পীথোক-পীশিন্দা হৈ-শিংবা ফগনি। লম অনকপা অমদি অরাপ্পা চৎপদা হৈ-শিংনা চেকশিনবা ফগনি। মীগী মতেং পাংলুদবা হেন্না ফগনি। ইমুংদা মত চান্নদবা অমনা অমবু লান্না লৌবীবা মতম ওইরগনি। *মহৈরোয়শিংগী* য়াম্না কন্না চেকশিন্না হোৎনজগনি। *পাখং-লৈশাবীগী* চয়েৎনবা, ৱাখল লান্না খনবা মতমনি।

*নক্ষত্রঃ ৩,৪,৫– থবক তৌবদা ৱা ঙাংবদা চেকশিনবা হেন্না ফগনি।*

মিথুনঃ মীয়াম তিনবদা চেকশিনবা ফগনি। শেলদি চৎপনা হেনবা চৎননবা মরম লাকপগী অপুনবা শেলফম ফংগদবা, অপনবা খর থেংনবা মতমনি। শেল পীথোক-পীশিন্দা চেকশিন্না লম চৎপা অফবা মীগা চৎপা ফগনি। ৱাহৈ অমা শোইবদগী ইকায়বা তাগনবা মতমনি। হকচাং ৱাখল ফগৎনবা হোৎনজগনি। লৈমিন্নবা ইমুং অমদি তিন্নবশিংগা মত খেৎনবা মতমনি। *মহৈরোয়শিংগী* য়েৎনবা মুক্নবা ওইরি। *পাখং-লৈশাবীগী* মত চান্নদবা মতম্না হেল্লগনি।

*নক্ষত্রঃ ৫,৬,৭– হেন্না চেকশিনবা ফগনি।*

কর্কটঃ অপনবা য়ৈখায়বা, অৱা-অনা মরক্তা চেকশিন্না হোৎনজদুনা অরুবা খরদি মায় পাক্না পাংথোকপা ঙম্লগনি। শেল খুত্তা তুংলগনি। পোৎ মাল লৈশিনবা য়াবা মতমনি। চখোক চৎশিন্দদি হৈ-শিংবা ফগনি। অচুম্বা কয়াদা অতাবা অমদি অউবনা লান্না খনবা ওইরি। হকচাং ৱাখল চরাংনবা, লোক লাইহৌ তৌগনবা মতমনি। মীনা কল্লকপা মিহৌবা মতমনি। শেল পীথোক-পীশিন্দা হৈ-শিংনা অমদি চেকশিনবা তাবনি। *মহৈরোয়শিংগী* ফনা লৈরগনি। *পাখং-লৈশাবীগী* ইংনা চিক্না লৈবা মতমনি।

*নক্ষত্রঃ ৭,৮,৯ – অফবা, ফত্তবা চাংদা লৈবা য়ানশিন্নবা ওইরগনি।*

সিংহঃ চয়েৎনবা, মুক্নবা, অমুক্তংদা থুনা পাংথোকপা ৱাবা, হনবা নাইবা মতমনি। শেলগী ফিভম ফগৎনবা শিঞ্জগনি। মুন্না খংবা মীওইগা তিন্নবা চৎমিন্নবা তাবনি। লৈমিন্নবশিংগা খর মুক্নবা, মত খেৎনবা মতম ওইখিগনি। অৱা-অনা খরা থেংনখিগনি। অদুবু ইশানা চেকশিঞ্জরবদি অরুবা খরদি মায় পাক্না পাংথোকপসু ঙম্লগনি। হকচাং ৱাখল ফগৎনবা হোৎনজগনি। *মহৈরোয়শিংগী* চয়েৎনবা মতমনি। *পাখং-লৈশাবীগী* পূক্নিং ৱাখল খেৎনবা অমনা অমবু চিংনবা ওইরি।

*নক্ষত্রঃ ১০,১১,১২– য়ানশিন্নবা মতমনি, চেকশিনবা ফগনি।*

কন্যাঃ তিন্নদুনা তৌবা থবক থৌরমদা অফবা মীওইশিংনা লোয়নবা ফগনি। ফত্তবা মীনি খংলবদি লাপথোকপা হেন্না অফবা ওইরগনি। শেলদি খর চৎলগনি। ইশানা হেন্না চেকশিন্না হোৎনজগনি নৎত্রবদি অপনবা য়ৈখায়বা, মীৱা মৈশা তাবা মতম ওইরগনি। অনৌবা পোৎ লৈশিনবা য়াবদি লোইনরি। ইমুংদা অমগা অমগা মত খেৎনবা ৱারৌনবা মতমনি। তোখায় তাদনবা চেকশিঞ্জবা ফগনি। লমতু চৎপা চেকশিনবা ফগনি। *মহৈরোয়শিংগী* চয়েৎনবা মতমনি। *পাখং-লৈশাবীগী* থাজবা ৱাৎনবা অমনা অমবু ৱাখল লান্না খনবা ওইরি।

*নক্ষত্রঃ ১২,১৩, ১৪–অফবা, চাংদা লৈবা য়ান্নরগনি।*

তুলাঃ ৱাখল লৈতাফম খংদবা, ঈংনা লৈবা য়াদবা, চরক-চহিং নাইবা মতমনি। নুংশিৎকী অনাবা, খোঙ-হাম্বা চাং নাইদবা তাঙ-খ্বাং য়াংলেনগী অনাবা থেংনখিগনি। শেল পীথোক-পীশিন্দা চেকশিনবা ফগনি। লম অরাপ্পা চৎপদি কান্নবা ফংগনি। মায় পাকপা পীরগনি। অহিং তুম্বা মপুং ফাবা তঙাইফদবা লৈরগনি। ইমুংদা ৱাখল শাবা থেংনরগনি। *মহৈরোয়শিংগী* চেকশিন্নিংঙাইদি ওইরি। *পাখং-লৈশাবীগী* মত খেৎনবা মতমনি।

*নক্ষত্রঃ ১৪,১৫,১৬–চাংদগী হম্বদনবা চেকশিনবা তাবনি।*

বৃশ্চিকঃ লৈমিন্নবা, লোইনবা অমসুং ইমুংদা ইংনা-চিক্না লৈনবা শিঞ্জগনি। শেলদি ফংলবসু চৎপনা হেল্লগনি। অচৌবশিংনা য়েংশিনবা ওইরি। পোৎ লৈবদা কুপ্না য়েংলগা পাংথোকপা ফগনি। যূমদা লৈরগা বুদ্ধি লৌশিং ফকচিনবা মতমনি। মীগা তিন্ননিংদবা, তোখাই তাবা ওইরগনি। হকচাং লোক লাইহৌ খর চেল্লগনি। *মহৈরোয়শিংগী* অরাপ্পা চৎপদি কান্নগনি। *পাখং-লৈশাবীগী* মত খেৎনবা মতমনি।

*নক্ষত্রঃ ১৬, ১৭, ১৮ – য়ানশিন্নবা মতমনি।*

ধনুঃ অনৌবা মীওইশিংদগী কান্নবা ফংলগনি। লুনা খনবা, থবক থৌরম পাংথোকপা য়ারগনি। পোৎ মাল লৈশিনবা অফবা মতমনি। ইথক থোংবা, ইখা থাবশিংনা নুংশিবীরগনি। লম চৎপদি চেকশিনবা ফগনি। ইমুংদা ইংনা চিক্না লৈরগনি। চাং য়েংনবা থোক্লবদি মায় পাকপা পীরগনি। পূক্নিং ৱাখল হেন্না নুংঙাইরগনি। *মহৈরোয়শিংগী* ফনা লৈরগনি। *পাখং-লৈশাবীগী* অফবা ইংনা চিক্না লৈবা ওইরগনি।

*নক্ষত্রঃ ১৯,২০, ২১–অফবা মতম্না হেল্লগনি।*

মকরঃ মরুপ মফম খরদি ফগৎলগনি। তিন্নবশিংদগী কান্নবা ফংবা মতমনি। চখোক-চৎশিন্দা হৈ-শিংবদি ফগনি। মীনা ৱা থৈজিনবা অরানবা তাহন্নবা হোৎনবা মতমসু থেংনরগনি। শেল লাকপা চৎপা মান্নবনি। পূক্নিং ৱাখল খরদি লাংতক্লগনি। অচৌবশিংনা য়েংথিবা মতম্না হেল্লগনি। হকচাং ফগৎনবা হোৎনজগনি। *মহৈরোয়শিংগী* অফবা খরদি লৈরগনি। *পাখং-লৈশাবীগী* চিংনবা মত খেৎনবা মতম লৈরগনি।

*নক্ষত্রঃ ২১,২২,২৩ –অফবা ফত্তবা, ৱাখল ফকচিনবা মতমনি।*

কুম্ভঃ তৌফম খংদবা চয়েৎনবা, কোক শাবা মীনা য়েংথিবা, ইশানা তৌজবা থবক্তা খূৱৌ থাংবা য়েংশিনবা মী মশিং য়াম্বা মতমনি। ঐগী মীনা মীগী মীচংদা লৈবা ওইরগনি। ইমুংদা মত খেৎনবা অমগা অমগা মত চান্নবা ৱাৎপা মতমনি। হকচাং তাঙ-খ্বাং, য়াংলেনগী অনাবা লৈরগনি। *মহৈরোয়শিং-গী* খরা কন্না হোৎনবা ফগনি। *পাখং-লৈশাবীগী* অমগা অমগা চিংনবা ওইরি।

*নক্ষত্রঃ ২৩,২৪,২৫ – য়ান্ননা চৎলগনি।*

মীনঃ অফবা, ফত্তবা য়ান্নরগনি। হোৎনবা কনবা, চেকশিনবা নৎত্রবদি হন্নবা অপনবা পীবা ওইরগনি। শেল তুংবা ৱাৎলগনি। ইমুংগী নক্নবশিংগী শেল চত্তবা য়াদবা মতম ওইরগনি। ৱাখল ফকচিনবা, তৌফম খংদবা ওইখিগনি। অরাপ্পা চৎপদি খর চেকশিনবা ফগনি। অচৌবা, তিন্নবা মীওইশিংনা য়েংথিবা মতমনি। যূমদগী চখোক্লগা খরা ফগনি। হকচাং নুংশিৎকী অনাবা লৈরগনি। *মহৈরোয়শিংগী* চয়েৎনবা ওইরি। *পাখং-লৈশাবীগী* মত খেৎনবা ওইখিগনি।

*নক্ষত্রঃ ২৫,২৬,২৭ –চয়েৎনবা, ৱাখল থোক্তবা ফকচিনবা ওইরগনি।*

## ড্রামা

# "বানু-বেগম"

-লইশ্রম দেবেন সিংহ (এৱার্দি)

য়াওগদবা মীওইশিং মথংশিংনা ঃ
১। করিম – (হিরো)
২। নাজমা – (হিরোইন)
৩। বানু বেগম – (নাজমাগী মনাওনুপী)
৪। রেজিয়া –(করিমগী মমা)
৫। সহিতুলা – (নাজবা ১দি বানুগী মপা )
৬। তোম্ব নহা –(করিমগী মপা)
৭। আলি সাহ – (গায়ক)
লোয়ননা অতৈ মীওই খরা...

*(মমাং নোংমাইজিংগী মখা...)*

মফম ঃ টি ভি সেন্টর, ইম্ফাল
মতম ঃ পূং ৯ তাবা নুমিদাং।

*(নাজমা অমদি আলি সাহ ঈশৈ শক্নবগী ষ্টদিওদা ফম্লি। এনাওন্সরনা... ।)*

এনাওন্সর ঃ থৌরমগী মখা চখরকপগী মতুং ইন্না মমিং লৈরবী অফাওবী কলাকার নাজমা অমদি মহাকমক্কী ওঝা আলি সাহগা লোয়ননা ঈশৈ অমা খুদোল তম্বীগনি, তাবিরশি..।
*নাজমা অমদি আলি সাহ।*
*(করিম, টিভি য়েংঙি, থৱায় তানা)*
–(ঈশৈ)–
নাজমা ঃ নুংশি ঈচেলদা তাওথরি লেপ্তনা পম্ভুংনা কৈদা ঐগী মপোকসে।।
আলি সাহ ঃ চীংজাওগুম লেপ্লি ননাক্তা ঐনা করিগী লমুক্নগনি, খল্লুনু অতৈ অমা।।
নাজমা ঃ থম্মোয়সে তনিক-তনিকই খল্লুবদা মীৱা-মৈশা তাইবং মীৎয়েংদা।।
আলি সাহ ঃ লৈরাংগী মপোক্তা পোক্লুবনা খোইমু শহুম কিবরনে শকহেনবী?
আলি সহা ঃ আল্লা মানা কুবিনিদা দুৱা তৌরসে ঐখোয় অনী।।
নাজমা ঃ নুংশি হিমাই চুম্বীয়ুনে ৱাইথুংজগে হিরোই নকাদা।।
আলি-নাজ ঃ হে আল্লা, সলাম সলাম তৌজরি লৌবীয়ু সলাম।।
*শৈরেংবাঃ লাইশ্রম দেবেন সিংহ*

*(ঈশৈ লোইরবদা তুম্বা য়াদে করিম, চিংনবা ৱাখলনা ময়ূমদা লাক্লিংবৈ আশা পোকই। ঙাইহাক খল্লগা, পরিক্ষা নকশিল্লকপগী ৱাখলদা অমুক খল্লি। কাইনথংদা চিঠি অমা ইখি নাজমাদা)*
করিম ঃ –চিঠি–
নাজমা, হন্দক পীগদৌরিবা এগজাম অসে ঐগীদি অরোইবা তাঙ্ককনি। লাক্কে খনবনি এগজ-ামনা লাকপা য়ারোইদৌরি। ঐনা হায়রম্বা ৱাফমদো নহাক কাওরবরা? "য়ুমসিদা লেং-দনা লৈরম্মু। হায়খিবদো বানুনা মমাংঙৈদা পাউ খরদি পীরকখি, মতমগী মতুং ইন্না থোইনা খল্লুবদি নত্তে, অদুবু ঙসিদি নহাক্কী ঈশৈ তারুবদগী থম্মোয়সে পোথাফম খংদরে নাজমা। এগজাম হেক লোইবগা নং-ঐ নিকাহ, শোইদ্রবনে নাজমা।
*নহাক্কী*
*করিম য়ুমখাইবম*
*বি এ ফাইনেল, দি এম কলেজ*
*বোইজ' হোষ্টেল, রুম নম্বর ৬*
*সেকেন্দ ফ্লোর*
মী ১ ঃ নাজমা চিঠি।
নাজমা ঃ য়ানি-য়ানি।
*(কাদা নাজমা চিঠি পারে, কপই। বানু চংলকই। মচেগী মতৌ উবদা)*
বানু ঃ কৈদৌরে ইচে কপ্লিদি (তুমিন লৈ নজামা)
নত্তে ঙাওরবরা-ও তম্মো হায়বা? কৈদৌরে? (মপি তৈথোকপী)
নাজমা ঃ ইচেগী ইবেন্মা বানু, ঙসিদি ইচে ৱা অমা হায়গে, কনাদসু তম্লুনু, মদুনা নংগী অমদি ঐগী অফবা ওইরনি-খল্লে। (কপ্লি)
বানু ঃ ইচে।
নাজমা ঃ (হিক-হিক কপই) ইচেগী ইবেন্মা বানু.... নচেসে, ঙসিদিনে..., মৌগী শিংদা চল্লেনে, ঐবু লান্না খল্লনু...। (ও-খোংনা কপই)
বানু ঃ ইচে! ইস! মীদুদি হা!! ইচে.... (পাখৎনা ঙাংবা)
নাজমা ঃ কনা নত্তেনে বানু... (হিক-হিক কপই)
মাদো.. মাদো..., নংনসু খংলবা ওঝা, ওঝা আলি সাহ।
বানু ঃ ইস! 'দুদি। অহল-লমনশিংগী আশাদি-ইস। চৎখরো ঙসিমক নংগী নফম লৈতে, চৎখরো।
নাজমা ঃ তাল্লু, নচেবু তাল্লু, মদুমক্লা ঐগীদি দন্দি অমনি অদুগা, অরোইবা ওইনা "মসিগী চিঠি সিমগী" নহাক্লা পাবগী মতমদদি নচে লৈজখিগেনে বানু।
বানু ঃ (চিঠি পারবদা) ইচে, নহাক্লা ননাওবুদি লান্না খল্লুনুদা ইচেগীদমক্তা ননাও লৈরিনে। কপ্পনু, পাবানা করিগুম্বা তাথ্রগদি করি ওইরনি। য়েংঙোই, মতম চারিঙৈদা ওঝাগী নাক্তা চৎখরো, নংগী নিংবা থুংলুরো। ...আ.. মপাল লমদা দিল্লি নৎত্রগা আহামাদনগরদা চৎখরো। মদুনা ফরনি, হিরম খূদিংদা ননাওবু কাওগনুকো ইচে। (কপমিন্নে)
নাজমা ঃ নচেনসু মদুম্মা খল্লিবনি, নৎত্রগদি...। ঙসিদি ইবানি পুন্না তুমিন্নসি। হয়েংগী মতমদা ওঝাগা আদা চৎখিনবা হোৎনরগে, কনাদসু, জ্ঞান তারেদনা।
বানু ঃ মতমগী মতুং ইন্নদি ইচে, খং-লকপদা হায়গেকো ঐবু শাওনু।
নাজমা ঃ শাওরোই, নচে-শাওরোই। (কোশিন্নরগা তুমিন্নখি)
–(নাজমাগী মঙ)–
*(ফাইনেল এগজাম পীরম্লগা করিম নাজমাগী ফি অমা পাইরগা য়াম্না হরাওনা লাক্লম্মী।)*
করিম ঃ নাজমা, ঐগী ফাইনেল এগজাম লোইরে, অদুনা অহল-লমনশিং গীসু নিংবা থুংহল্লসি হায়বদা নংগী করম্বা ৱাখল লৈরিবা?
নাজমা ঃ মতম খরদং লৌবদি পাম্মী করিম, পারিক্ষা পীখিবতা ঙাইরি নংবো, থবক অমা অমুক্তা পাইখিসি, দুগসু য়াইনে নংবো, করিগী দুক হারিনো, ঐসে... নংসিদি.. ওম্বোক্লসু ইকায়খিদ্রে মতামনিনে।
করিম ঃ হাবা হায়দি-নাজমা? পাউ লোয়না ফংঙে, নং।
নাজমা ঃ হো-পাউ ফংলদি অদুম য়ারবা নৎত্রো। মখা অমুক শাওবীরনু ঐঙোন্দা করিম...
করিম ঃ ফাগি শান্নরেদনা, নং-কো। ফৈ-ফৈ য়েংবা তাই। তাজৌ নাজমা, ঐদিনে নংতবু আল্লাদা দুৱা তৌজরগতা লৈবনি। নংতবু ফংনবা। লাইথোক্লা খনবদি নংগী থম্মোয়না পেল্লোইকো নাজমা। অমরোমদা, নাজমা নংতগী খল্লুবদা ঐহাকসুনে নুপী অমা থীখ্ররোইকো।
নাজমা ঃ 'দুদি লাল্লি করিম। ইনাওনুপীগা (বানু) লোন্না করিগী মরম থল্লিবা, হায়য়ু-ৱাফম অসে ঐনা তুমিন লৈবদা নহাক্ল খূদোংচাবা লৌবা মসিবু করিম নংগী নচৎনিকো। তুক্কচৈদা।
করিম ঃ ফাগি তৌখিবনিদা, লাল্লে নাজমা।
নাজমা ঃ লৈশাবী অমদা পাখং অমনা ফাগি তৌরদি মদুগী ফংফম থোকপা ফলদি কনানা ফংগনি। য়েংনিং-দে নশক্তু, মখা অদুম তমথদুনা লৈখিবা য়াদ্রো? সরকারগী থবক তৌবগী মতিক নখোয়সে..। লাকপীনু ইনাক্তা, চৎপীখ্রো (লাওনা ঙাংবা)

---

বানু ঃ ইচে-ইচে, কৈদৌরে-হা।
নাজামা ঃ ইস! মঙদা জাৎ-জাৎ। ইচে ঈশিং থক্কে।
মহিতুলা ঃ কৈদৌরে-হা নখোয়বো?
বানু ঃ মমঙদা শাওরকইবা।
মহিতুলা ঃ নিংথিজনা তুম্মুনে নখোয়বো।
বানু ঃ সে-সে ঈশিং লৈরে।
*(নাজমা ঈশিং থক্লগা, মচিন-মনাও কোন্নরগা তুমথখি)*

*লাইট ওফ*

## ৱারি

# "লৌতুনবা"

ফংনিংলুবগী মহয় পুন্সি চুপ্পা নিংশিংদুনতা লৈরগদবা মৈ ইকপা য়োৎচৈগী মশাদা দাগফম ফংলবা বামোন ময়াম'মা তেনালীগী থকশি-খাশি নাইদবা থৌগল্লোন খঙদবগী থৌদৌদা পেন্দবা ৱাকৎ পুদুনা রাজগুরুগী মনাক্তা চিরোল তৌবা লাকই। রাজগুরুদি কুইরবনি তেনালীদা লম্মন খুম্নিংদুনা অচেংবা তাঞ্জা য়েংদুনা ঙাইরকপা, নুংঙাইরে পেল্লে হৌজিক্তি মদুগী তালফম ফংবা কৌবা লৈরবনীনা। রাজগুরু অমসুং বামোন ময়ামগা কোক চুংশিন্দুনা তেনালীবু পারা অমা তম্বীনবগীদমক পাম্বৈ অমা কন্না থীবা লাক্নরি। কাইনথংদা পাম্বৈ অমা থীবা ফং লে মদুদি রাজগুরুনা তেনালীবু মহাক মশাগী সেবক অমা ওইনা লৌশন্নবা তাৎ তৌশন্নবা, মথং মসিগী চৎন-পথাপকী তুংইন্না মহাক্কী মশাদা দাগ তাহনবা। দাগফম অসি তাহন্নবগীদমক তিংখক্তনা নমগনি মতম অদুদা অঙাংনা অমাঙবা ব্রর ব্রর চিৎপগুম চিৎনবা। মসি লোইরবা মতুংদা রাজগুরুনা অমুক নহাক্তি অতোনবা শাগৈগী বামোন্নি নহাক ঐগী সেবক ওইবা য়ারোই হায়দুনা ইম্বোকপা। অসুম হায়না তেনালীদা লম্মন খুমগদবনি ৱারেপ্পে। মসিগী থৌরাং অসি মখোয় চাম্মা নিপাল নত্তনা অতোপ্পা কনা তাহন্দনা থম্মী অমসুং রাজগুরু মশামক্লসু। মখোয় পুম্নমক্না তেনালীদা লম্মন খুম্নিংবনা লাংতক্লনা ঙাইঙমদনা ঙাইরি। থৌরাংগী মতুংইন্না রাজগুরুনা নোংমা তেনালীবু মহাক্কী মনাক্তা কৌরগা হায়, 'নহাক্কী ভক্তি ভাবনা অমসুং জ্ঞান উরগা মহাক্লা মাবু সেবক অমা ওইনা লৌশনবা পামই।' রাজগুরুনা থাঙ্গৎলক্লিবা ৱাফম পুক্নিংদা চিংনবা অমা ফাওদবদি নত্তে, মনুং-দা করিনো অমদি লোৎলি খঙবা ঙমই। অদুম্নদি ওইরগা য়ানিংবা মান্নবা শাশন্দুনা রাজগুরুগী ৱাফমদা হরাওবা উৎলি। মহাক্লা কন্না পামশিনবা মান্না শাদুনা ঙাইঙমদনা হংই, "অদোম্না ঐ অসিবু কৈদৌঙৈ অদোমগী সেবক অমা ওইনা লৌশিনবীগনি ?"

"মথংগী ইরাই নুমিৎ অসি য়াম্না অফবা নুমিৎনি। নুমিৎ অসিদা য়াম্না শেংনা ইরু মাইথজরবা মতুং নঙোন দা মমল য়াম্না য়াম্বা বনারসী রেসমগী ফিজোল শেৎ চাহনগনি, মদু নঙোন্দা ঐগী মায়কৈদগী খুদোলনি। খুদোলপোৎ ওইনা ঐনা নঙোন্দা সনাগী শেনয়েক চাম্মসু পীগনি। মসিগী মতুংদা নঙ ঐগী সেবক ওইবা য়ারে" রাজগুরুনা হায়।

তেনালী, "য়াম্না নুংঙাইজে" হায়রম্লগা চৎখি। মহাক্লা ৱারী পুম্বা নুপীদা তমদুনা লি। হায়রকই "শুকশোয় শোয়দনমক্কী মসিগী মী-ফত্ত অসিগী পুক্নিংদা করিগুম্বা অমোৎপা খরা লৈরে।"

নুপীনা হায়রকই, "করিগীনো নঙনা মাঙোন্দা মহাক্কী সেবক ওইগে য়ারুরি ?"

"করিসু থোইনা হেন্না নুংনাংনিংঙাইদি লৈতেদো। রাজগুরুনা রাজগুরুনি, তেনালীনা তেনীলিনি খঙগদবা লৈরে।" তেনালীনা হায়রকই।

"অদুদি নঙদি করি তৌবীগে খনবীরি ?"

"মখোয় চাম্মা নিপালনিদনা ঐনা য়ুমদা বার্ত্তন তৌদুনা কৌখিবদো, মখোয়শিংদুগা লোয়ননা পুন্না লোন্না রাজগুরুগী য়ুমদা ৱা অমা খন্নখি। মখোয়না লোন্না খন্নখিবা অদুগী অকুপ্পা মরোল খঙবা ঙম্নবগী পাম্বৈদো ঐগী নাক্তা লৈয়ে ইবেন্মা। মখোয় বামোনশিংদুগী মরক্তা শোময়াজুলু কৌবা অমা য়াওরি। হৌজিক হৌজিকমক মহাক্কী নুপী কুম থা শুদুনা অঙাং উনগদবগী মতম ঙাইরিবনি, অদু মহাক্কী মনাক্তা শেল পাই নাতৎপী অমা ফাওবসু লৈতে। ঐনা মাঙোন্দা সনাগী শেনয়েক তরা পীরগা মাঙোন দা হংলবদি ৱারী পুম্বা ওরো ওরো হৈদোকচরক্লগনি মরন্নাই। অদুগা য়েংউ, মসিগী রাজগুরুগী মচা অসি ঐনা শেমদোক্কে।" তেনালীনা হায়রকই।

তেনালী সোময়াজুলুগী মনাক্তা চৎখ্রে। কনাগী মতেং ফংজদ্রবা মরাইবক থিরবদুগী মথক্তা অচৌবা অরুম্বা পোৎলুম নম্বরকপগী অৱাবা খাঙদুনা লৈরম্মী। মহাক লাকপা উরগা সোময়াজুলুনা মিৎ পী ইরা হৌনা মহাক্কী অনাবগী ফিভম অদু পাউ তম্লকই।

"রাজগুরুদা শেল খরা মতেং পাংবীয়ু করিগী হায়দবগে ?" তেনালীনা হায়।

"মদুগী ৱা মহাক্কী মফমদা কদায়দগী, অদুক শাথীনা অরিকপা মী অদুদবো? নুঙদগী ঈশিং শুমদুনা লৌনবা হোৎনবনা হেন্না কোম্না থোক্কনি। রাজগুরুদগী লিকোল অমা লৌথোকহনবা ঙম্বা ওইররোইদবা ৱানি।" সোমরাজুলুনা হায়, অদুগুম্বা তৌবিমলগী ৱাফম অসিদি কনাগুম্বা অমনা মশাগী থৱায় ফাওবসু শিন্নথোক্লবা অদু ওইরবসু মহাক কনাগুম্বা অমগী মতেং পাংগদবা লৈতে।"

তেনালীনা ফুরিৎখাওদগী সনাগী শেনয়েক তরা লৌথোক্লগা তরং তরং সোময়াজুলুদা উৎলগা হায়রকই, "করিগুম্বা নহাক্লা নখোয় ময়াম পুন্না রাজগুরুগী য়ুমদা লোন্না খন্নখিবা ৱাফম অদু ঐঙোন দা অরোন অথুপ থমদনা লীথোক্লবদি মসি নঙোন্দা পীগনি।"

"নত্তে, নত্তে। ঐনা মদুগী ৱাফমদু হায়দোক্লবদি ঐ কদায়দা লৈরগনি।" সোময়াজুলুনা হায়।

"ঐনা ৱাশক্লি সোময়াজুলু ৱাফম অদু ঐঙোন দগী সুকহেন হেন্দোকহল্লোই।" তেনালীনা ৱা মখা তারদুনা হায়রকই, ৱাখল মুন্ন খল্লু, নহাক্কী নুপী হৌজিক নুপী ওইবীগীদি অরুবা তালফম্নি। অদুগা অমুক ঐসু বামোন মচানি। মতেং পীনবগী লাক্লিবা মী অমবু তরাই তরাই হেক্তা নিংবা কায়না হলহনখিবা হায়বসি ঐখোয়গী মাংলমচৎকী মায়োক্তনি। নুমিৎ অদুদা ময়াম পুন্না দাগ নমখিবা অদোমদসু নমখিবগীদমক ঐবু ঙাকপীয়ু, ফরে, কান্নদে শেনয়েক অসি লৌশিল্লু, হৌজিক নহাক্কী অনিংবা মঙাইরে।" মসি হায়রগা তেনালীনা সনাগী শেনয়েক তরা সোময়াজুলুগী খুত্তা শৎ পীশিল্লি।

শেন চিল্লিঙৈ, ঈশ্বর খুরুমলিঙৈ তাল্লক অদুদা লক্ষ্মী মশামক লাক্তুনা মখুত্তা তরং তরং ঙাল্লরবা অদুদদি সোময়াজুলু হায়নিংঙাই লৈতনা মথ্বায় পেঞ্জরদুনা অরোনবা ৱারী পুম্বা অমতা খাক্তনা তাকথোরকই। মহাক্লা হায়রকই, "য়েংউ, মসিগী ৱাফম অসি কনাগুম্বা অমগী মফমদা ঐনা হায়দোরকপনি খঙহনবদি তৌবীগনু।"

"নঙ মদুগীদমক তশেংনা করিমত্তা চিংনবা তৌদনা লৈয়ু।" তেনালীনা হায়রম্মী। য়ুম হল্লক্লগা মাগী নুপীদা ৱারী পুম্বা তম্লে। নুপীনা হায়, "হোয়, ওইনিংবা অমা ওইজরসনু সনাগী শেনয়েক তারাদুমদি মাংদি মাংজরে।"

"নঙসি পঙখ্রে, য়েংবদা কল্লু। শেনয়েক তরাদু চৎচখ্রবসু অমুক তরাগী খুজিং খুজিং মরন্নাই লাকচদৌ লৈরসিবু।" তেনালীনা নোক্লগা হায়রকই।

তেনালী ইরাই নুমিৎকী অয়ুক ঙন্তা হৌগৎলগা শেংনা ইরু মাইথজথোক্লগা রাজগুরুনা পীরকপা বনারস রেসমগী ফিজোল শেৎচিল্লি। মসিগী মমল লুপা লিশিং অমরোম ওইরম্বা য়ানা লৈ। রাজগুরুনা মাঙোন্দা সনাগী শেনয়েক চাম্মা খুদোল ওইনা পীরকখিবা অদুসু হাপচিল্লি। হৌজিক মশাদা দাগ নম্বগী চৎন পথাপ মপুং ফানা পাংথোক্নবগী পালি লাক্লে। মসিগীদমক শংখ অমসুং লৌহচক্র মৈ কন্না ইক্লি। রাজগুরু অমসুং অতৈ বামোনশিংগী মপুক্নিংদা কন্না নোক্লিংলি, খঙগনিদো ঙসিদি চেন্দনা হিংলরোই অঙাং নঙ লৌনমদা থুরেদো। অসুম্না মোইবুং অমসুং য়োৎকী চক্র নম্নবা থৌরাং তৌরকই। মসিগী তাঞ্জা

### তেনালিরামগী ৱারী
### অবুজম ইবোপিশক লুৱাং

য়ৌরকপা মতম অসিদা তেনালীনা সনাগী শেনয়েক য়াম্খে রাজগুরুন্দা শৎ পীশিনলগা হৌ থাদুনা চেন্না-চেন্না লাওরকই, "তঙ্খায়দু ফাওবা য়ামল্লবনি। তঙ্খায় হনবীরিবদু নরাইবক ফরবনি।"

রাজগুরু লম্মন খুম্লগে থৌরাংজবদু ওন্ন-তৈনরকপদুদা জ্ঞান মাংদুনা মৈ ইকপা বং বং মৈ হৌনা শারবা মোইবুং অমসুং য়োৎকী চক্র রাজগুরু অমসুং বামোনশিংনা পায়রগা কন্না তান্নরকই। লম্বৈলদা চৎলম্বা মী ময়াম অমসু কুম্মৈ য়েংবা ওমশিন্নরকই।

তেনালী চেন্না-চেন্না নিংথৌগী মনাক্তা লাক্লগা ৱাকৎলি, "ইনিংথৌ, অচৌবা থৌরম অমা পাংথোক্লগা ননাই ঐহাক অসি রাজগুরুগী সেবক অমা ওইনা লৌশিনবীগীনি তাকপীরকখি। মসিদা ননাইসু করিগীদি রাজগুরুগী সেবক ওইনিংলোইদবগে, হরাও হরাও য়াজরুই, মসিদা ইখঙ খঙহৌদনা খংনিং নিংশিংলকই, ঐ অসি রাজগুরুগী সেবক ওইবদা মতিক চাদে, ঐগী ওইনদি লাইবক য়াম্না ফবা, অমরোমদা রাজগুরুগী ওইনদি মায় খুবনি। করি মরমগী ঐদি বৈদীকি বামোন নত্তে, নিয়োগী বামোননি। ইরুজবা অমসুং বনারস রেসমগী ফিজোল হোং হনবগী চৎন পথাপ ঙাকপগীদমক শেনয়েক য়াম্খে ঐঙোন্দা থমজিল্লে অদুগা লেমহৌরিবা য়াম্খোনা রাজগুরুন্দা হন্দোকচবনি, মসি মখোয়না ঐঙোন্দা দাগ নম্বগী চৎন পথাপ ঙাক্না চৎননবা পীবনি।"

রাজগুরুনা নিংথৌগী মমাংমক্তদা তেনালীনা ঐহাক নিয়োগী বামোন অমা ওইবনা মহাক্কী সেবক ওইবা য়াদে হায়বা অশেংবা ৱাহৈ তাখি। রাজগুরুনা খঙনা খঙনা তেনালী নিয়োগী বামোন্নি হায়বসি তাৎ তৌদুনা খঙশিন্নদবা শাদুনা কাউথোক্লুরে হায়। করি করম্নবুদি অশেংবা ৱাফম অদুবুদি নিংথৌগী মফমদা ফোংদোকপা য়ারিব্রদো?

"তেনালী হায়বা নুপা অসি পুকচেল য়াম্না চাওবা লোয়ননা পুকচেলসু য়াম্না শেংবা মীশক্লি, মহাক থাগৎপদা মতিক চপ চাই। মাঙোন্দা লৎনবা লৈতনা মনা পীগদবনি।" নিংথৌ ৱাহৈ অসি হায়বগা লোইননা তেনালীদা সনাগী শেনয়েক লিশিং অমা খুত্তা শিন্নে।

## শৈরেং

### পুন্সিগীগী অতিয়াদা

– নিংথেমপিশক ৱাইরোকপা

পুন্সিগী অতিয়াদা
থম্মোয়গী লৈরাংনা
লৈচিলগী মায়খুম হাইদোক্তুনা
মোমোন মীনোক তমজরি।

বসন্ত ঋতু লোইখ্রগা
লৈখোক লোয়রবী লৈনানা
মালংগী তাম্বাদা কেল্লকই,
লয়না-লয়না লৈমায়দা।

নিংথৌ তুরেলগী ইপাক লান
নোংথাং লৈমগী জগোয় য়েং
হৌখ্রে পুন্সি
অথেংবা অহিংগুম।

কনাগী অপঙবা অশিংবা
লাইর চুদৎনবা ইনাকখুনবা
থৌনা শক্তি লৈবা কয়া কয়া
তিনখ্রে উৎকী মপৈদা।
নুংশিবা লৈনম থম্মোয়দা পুদুনা
খঙনা উনা চৎখি নাথৈদুনা,
পুন্সি ঈচেন্দা নাপলনা
তাওথরি কাওশীংগুম।

নোংলৈনা নৈহৎলবী পৃথিবী
অনৌবা রসনি খল্লমাল্লে
হেন্নদুম কূপশিনখি লৈচিল নোংফাইনা,
পুন্সিগী অতিয়াদা।

### ঈশৈ তাবদা কবিগী ৱাখল

– মৈহৌবম মণিচন্দ্র সিংহ

লৌবুক্কী মহৈ মরোংদা
পূম্নমক শুম্মানিংঙাই ওইরম্মী
ঈশৈদুগী থুম্লবা খোজেলদুনা
চীংয়া তময়া পুম্বদা শন্দোক্লম্মী
মাগী ঈশৈ তাবদা
কবিদো য়াম্না নুংঙাইরম্মী
অদুবু, ঈশৈ অদুনা করি হায়রিবা
মাদি খঙবা ঙমখিদে।।

চীংজাও নাপোম অদুদা
মীৎয়েং হোংবা লৈতনা
চাগদৌমখৈ য়েংলম্মী।।
অমুকসু, ঈশৈ অদুগী শূরদা
কবিগী ৱাখল হুমদুনা পুরম্মী
খূৎতগী খোর্জে থাদোক্তুনা
ফুম্বংনবা মতৌ উৎলম্মী।।
হে কবি, কদায়দা চৎখ্রে
নহাক্কী কল্লবা প্রতিভা
কদায়দা চৎখ্রে
নহাক্কী থৌরবা কলম।।

মাঙখ্রবরা ঙম্নমক
ঈশৈগী নুংশিরবা শূরদা
ওনখ্রবরা থৌদু নুঙগুম কল্লবা
কংখ্রবরা নহাক্কী কলম ঈচেল
তিনখ্রবরা আকওবগী ঈপাক্তা।।
অদুবুনে হে কবি!